# তখেল্লম্বম রঘুমনিগী "ইঙ্গিৎ অনোই" প্লে- নোংমৈ মরু

য়েংনিং য়েংনিংবা য়েংবা ফংখিদ্রবা মরুপ অমনা ইহান হানবা ওইনা দাইরেক্সন তৌদুনা পুথোকপা নন-ভরবেল ইঙ্গিৎ অনোই প্লে "নোংমৈ মরু" উৎখিবা নুমিৎ অদু বন্দ অমা তৌগনি হায়দুনা লাওথোকখ্রগা হন্দোকখ্রে হায়! হন্দোক্তে হায়! চমন্নদুনা অদুম খুদোংচাবা অদু মাংখি।

লোয়ননা মরুপকী মফমদা পুন্সি চুপ্পা ইকায় ফিরুক খল্লুগদরা হায়দুনা খল্লম্বনি অদুবু, ইথা থাজদনা ওগষ্টকী তারিক অমদা লোৎপা য়াদবা তাঞ্জা অমদা য়ুন্নাম লৈকায়দা লৈবা কংলৈ মাইম রিপেটরি থিয়েটর, ইম্ফালগী চংফমদা মায়োক্লন্দুনা ৱারি শান্নবগী তাঞ্জা অমা ফংখি। ঐনা নুমিত্তুদা মরুপকী প্লে য়েংহৌদবগী ৱাফম হৌদোক্লুবদা, ইরায় লাইনা, ঐনা শংবা নুমিৎ অমদা লাক্তুনা মাগীদা লৈবা ভিদিও রিকোর্দিং অদু য়েংবা লাকনবা হায়বীরমবদুনা, ঐনা থা ৩,৪ মরুপ্তুগা উন্নরগা করি হায়গদগে খনবদা অৱাবা অমা ওইরম্বা অদু খরামখৈদি য়াংলে। নুমিত্তুগী নোংঙানবদা ঐনা মরুপকী ময়ুমদা চংদুনা মাগী লেপতোপতা য়াওবা ভিদিও রিকোর্দিং অদু য়েংলুরবা মতুংদা অনৌবা নিংঙমদবা অমনা হেন্না চৈনা অমা পীবগুম তৌরকখিবগী পাউদমদুনি মীয়ামদা থমজনিংলিবা।

য়েংলু য়েংলুবা মাইকৈদা পেন্নিংঙাই ওইদ্রবা লমদম অসিদা খাংঙমদ্রবা অৱা-চৈনা কয়া উপায় লৈত্তনা খাংদুনা লৈরক্লি, অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা জগোয়, ঈশৈ, থিয়েটর, ফিল্মনচিংবা কয়াদা অইবশিংনা সমাজ অসিদা উৎনিংবগী নুংদা ওমদুনা লৈরিবা পেনদবা কয়া অসি মাগী-মাগী হৈনজবা মওং অমদা ফোঙদোরক্তুনা পেনদবা কয়াদু ৱাকৎনরক্লি। হায়রিবা ৱাফম অসিদা চেৎনা থাজবা অইবা সুধিরঞ্জন মোইরাংথেমগী "নুংশিরবা মরুপকী মপাও" কৌবা ৱারি মচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা "লমশি অমদি তম্নলাই" কৌবা ৱারি মচা অমদা য়ুমফম ওইদুনা কংলৈ মাইম রিপেটরিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা তখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহ গী দিজাইন অমদি দাইরেক্ট তৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ইন্দিভিজ্যুএল



প্রোজেক্ট প্লে অমা ওইনা উৎখিবা ইঙ্গিৎ অনোই প্লে অসিবু প্রজেন্ট তৌরিবনা কংলৈ মাইম থিয়েটর, রিপেটরি ইম্ফাল অমসুং আরৱিভেল সেন্টর ফোর আর্টস, ইম্ফাল না ওইরিবা লোল য়াওদবা ইঙ্গিৎ অনোই "নোংমৈ মরু" হায়রিবা প্লে অসি চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ থাদা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা চন্দ্রক্রিটি ওরিটোরিয়মদা উৎখি।

ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে মখা অসি ঐখোয়না য়াম্না তোইনা উবা ফংদবা, তাংনা উবা মখল অসি য়াম্না লিক্লা উবা ওইরগসু মীয়াম্না পাম্নবা মখলগী আর্ট ফোর্ম অমদি অদুম ওইরি।

অসিগুম্বা নন-ভরবেল প্লে অসি মরুওইনা লমদম অসিদদি- কাংলৈ মাইম থিয়েটর, রিপেটরি অসিমদি লমদম অসিদতা নত্তনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা ফেষ্টিভেল কয়া য়াওরুরবা সংস্থান অমা ওইনা খংনরি।

রিপেটরি অসিগী দাইরেক্টর য়ুম্নাম সদানন্দ সিংহ নি। তখেল্লম্বম রঘুমনি মশামকসু রিপেটরি অসিগী আর্টিষ্ট অমনি।

তখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহ ইঙ্গিৎ-অনোই প্লে অসিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা প্লে কয়াদা শরুক য়ারুবগা লোয়ননা নেসনেল স্কুল ওফ দ্রমা, ন্যু দিল্লিনা শিনবা ইন্টরনেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া নত্রগা ভারত রঙ্গা মহাউৎস্বর হায়না খংনবা অসিদা ইং ২০০১, ২২০৩, ২০০৮ দা শরুক য়াখ্রে।

লোল য়াওদবা হকচাংগী শাথেক শকফমগী শৈরেংবা অমা ওইনা চোংথোরক্লিবা রঘুমনি না কবি অমাগী শক্তম লৌদুনা মংফমদা মশাগী

গী য়াতাফম অমা মশক তাকপদা থোইনা হেন্না মপুং ফাহনলি।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী অতৎপা মখোং, মখুৎশিংনচিংবা ফিভম চাদবা কয়াসু মতাং চানা সিমবোলিক ওইনা শিজিন্নরিবা অদুনা থৌদোক অদুবু মীৎমাংদা চিংশিনদুনা উবা ঙমহনবা অমা ওইরি।

লোয়ননা অচৌবা নোংমৈ মরু অমা নোংমৈ মরুনা শিখিবা থৱায় অমনা পোদুনা পুথোরকপা কয়া অসি তশেংনা মীৎফম হোংবা য়াদবা ইঙ্গিৎ অনোই প্লে অমা হায়বদু ওইরে।

নোংমৈ হায়রিবা ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে অসিগী দাইরেক্টর অমা ওইরিবা রঘুমনিগী নন-ভরবেল প্লে অসি মশামক্লা দাইরেক্সন পীবা অহানবা ওইদুনসু বোদিনা মিন অমা ওইদুনা লিরিবা ৱারি অদু চপচানা ভাবকতা য়ৌহনবা ঙম্বা অমনি। ৱারি লিবগী মওং, লায়না লুহনদবা ফোর্মুলা ওইবা মওংদা শেমলি।

তাখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহ দাইরেক্টর অমা ওইনা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা মায় পাকপা অমদি ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই।

অদুগা পার্ফোমেন্স অদুদা লোল য়াওদবা মরমনা রঘুমনি গী অহানবা খুৎথা ওইরবসু মায় পাক্লবা প্লে অমদি ওইরে।

হায়রিবা প্লে অসিদা শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিংদিঃ- ৱাই লিদর, টি ঐচ রিসিকান্ত, এম ইনাওতোন, এম প্রেমচন্দ্র, আর কে লিন্দসানা নি।

চাইল্ড আর্টিষ্টতা -কে রোবিনসন শর্ম্মা অমদি আর কে বিতেস নি।

ওফ ষ্টেজতা লৈরিবশিংদি- মুজিক্তা এল পৃথিবিরাজ, সাউন্দদা-



মরাল খংদনা নেংমৈ মরুদা শিখ্রবা থৱায় কয়াগী ৱাকৎ মীয়ামদা তম্নবা হোৎনরি।

মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবা অমগীদমক ফিঙৌ শেৎপী কয়ানা অৱাবা ফোংদোকপা খোঙচৎ অমদা "মীচম হাৎপা লেপ্পু", "মরাল লৈবা চৈরাক পীয়ু" হায়বনচিংবা প্লে কার্দ না অয়েংবশিংবু পাউ ফাওনবগী মরম অমা ওইরি।

মঙলান অমগুম্মা দাইরেক্টর অসিনা নিংথিনা মফম চানা শিজিন্নরিবা ফ্লাস বেক অসিনা অয়েংবশিংদা য়াম্না লাইনা গ্যান তাহনবা ঙম্বা অমা ওইরি।

পেনদবা খোইশাওনরবা কয়াগী মাইথোং হকচাং পুম্বগী চিংখাইনরবা শাথেক মথং-মথং উত্তুনা নুংগী পেনদবা পুম্বা শাথেক্লা ওইনা ফোঙদোরক্লি। মপাঙ্গল কল্লবা ম্যুজিকনা শিঙমদনা শিখ্রবা থৱায়শিং ইনাওমাচা, লাইটতা জি ইনাওতোম্বা শর্ম্মা, সেট অমদি প্রুপসতা ৱাই লিদর, কষ্টুমদা এস উশারানি চনু নি।

কসলটেন্টতা- ডাঃ ৱাই সাদনন্দ, দাইরেক্টরদা কেএমটিআর, গ্যানেশ্বরি- প্রসিদেন্ট এসিএনা ওইরি।

অরোইবদা কংলৈ মাইম রিপেটরি হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা নন-ভরবেল মাইম প্লেগী অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎনবা লমদম অসিদা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা দাইরেক্টর, দিজাইনর অমমুক শেমগৎলকপসিদি থাগৎনিংঙাইহনি।

লোইশিল্লকপদা ঐগী মরুপ রঘুমনি সিংহ না দাইরেক্সন পীবা ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে অসি য়েংলুরগা থোরকপা ভাবকশিংগী শকফম উবা ফংহৌদবা অসিমদি নিংঙমদবা অমা ওইদুনা লৈহৌরে।

ঐচ রাজেস

জিএসটিগী মখাদা হন্থবা মমলশিং

1 NATION TAX MARKET GST

শেন্দোংগী মায়োক্তা পায়খৎপা থৌরাং কান্নহন্নবা কঞ্জুমারশিং

জিএসটিগী মখাদা হন্থবা মমলগী খুদোংচাবা কঞ্জুমরশিংদা ফঙহন্নবা গভর্নমেন্টনা ফিরেপ লৌরে।

জিএসটি কাউন্সিল রিকোমেন্দেসন মতুং ইন্না ২৯.০৭.২০১৮ দগী হৌনা পোৎথোক ১০০ মুক্কী জিএসটি গভর্নমেন্টনা হন্থহনখ্রে। পোৎথোকশিং অদুগী মশিং URL:goo.gl/9kT7Y




মথক্কী জিএসটি হন্থহনখ্রবা মতুংদা, কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ অমদি পব্লিক ডিষ্ট্রিবুস্স মিনিষ্ট্রিনা মসিগী লেটর এফ নম্বর ডব্লিউ এম-১০(৩১) /২০১৭ তাং ২৭.০৭.২০১৮ গী মতুং ইন্না লিগেল মেট্রোলোজি (পেকেজ কমোদিটিজ) রুল ২০১১ গী রুল ৩৩(১) অমদি রুল ৬(৩) গী মখাদা য়োনগদবা মমল (এমআরপি) ষ্টাম্প নমশিন্দুনা নত্রগা ষ্টিকর নপশিন্দুনা নত্রগা ওন লাইন প্রিন্টিং তৌশিন্দুনা প্রি পেকেজ কোমোদেটিজশিংগী মমল লাওথোকপা য়ারগনি। অদুবু হান্নগী এমআরপিগী লেভেল্লিং /ষ্টিকর অদুদি উহন্দুনা থমগদবনি।

জুলাই ২৭, ২০১৮ দগী জিএসটি রেট হন্দবনা মরম এমআরপি হন্থরগদবা অশাবা /পেক তৌরবা অমদি মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা য়োন্দ্রিবা ষ্টোকশিংদা কোমথোকপা অসি চৎনগনি।

কোমথোকপা অসি ডিসেম্বর ৩১, ২০১৮ ফাওবদমক চৎনহনগনি।

ষ্টেক হোলদরশিংনা হন্থরবা জিএসটি গী কান্নবা অসি কঞ্জুমরশিংদা ফংহনবদা জিএসটি ওফিসারশিংবু মতেং পাংনবা খঙহল্লক্লি।

করিগুম্বা হন্থরবা জিএসটিগী রেট অসি ফংহন্দ্রবদি শোক্লবা কঞ্জুমরশিংনা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইরগনা ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এন্টি প্রোফিটরিংদা নত্রগা লম লমগী ওইরগনা ষ্টেট লেভেল স্ক্রিনিং কম্মিটিদা চেরোল পীশিনবা য়ারগনি।

অকুপ্পা পাও ফাওনফম

ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওফ এন্টি প্রোফিটরিং সেকেন্দ ফ্লোর ভাই বীর সিংহ সহিত্য সাধন ভাই বীর মার্গ, গোল মাকেট, ন্যু দিল্লি- ১১০০০১, টেলি নম্বর ০১১-২৩৭৪১৫৩৭, ফেক্স নম্বর ২৩৭৪১৫৪১ ই-মেলঃ anti-profiteering@gov.in

ষ্টেন্দিং স্ক্রিনিং কম্মিটি ওফ এন্টি প্রোফিটিং ষ্টেট লেভেল স্ক্রিনিং কম্মিটি ওন এন্টি-প্রোফিটিং URL-goo.gl/2m8TAL দগী ফংগনি

নেসনেল এন্টি -প্রোফিটরিং ওথোরিটিনা কঞ্জুমরগী ইন্টরেষ্ট অসুন্না ঙাক্লিঃ-

মমল হন্থহনবদা

দন্দি তৌবা

ফংগদৌবদা ইন্টরেষ্ট চাদা ১৮ গী চাং য়াওনা মমল হন্থবগী হন্দোকহনবা

সপ্লাইয়রগী রেজিষ্টেসন ককথৎপা

NAA

ওনলাইন কমপ্লেনগী খুদোংচাবা www.naa.gov.in দা ফঙগনি

অরাইবা খোঙথাং ৩দা ওন লাইন কমপ্লেনগী খুদোংচাবা (রেজিষ্টর, লোগইন, কমপ্লেন)

কমপ্লেনশিংগী ওন লাইন ট্রেক্কিং

জিএসটি-অফবা অমদি অরাইবা টেক্স

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইনডাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিয়েল টেক্সেস ডিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেট। য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ

www.cbic.gov.in, www.cbec-gst.gov.in

davp 15502/13/0028/1819

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com